# হোক্কি পঞ্জাবনা ১৫ রক শুবা হোক্কি ইন্দিয়া সব জুনিয়র মেন নেশনল চেম্পিয়ন্সিপকী ৱিন্নর ওইখ্রে

**চেন্নাই, ওগষ্ট ০৮(এজেন্সী):**

হোক্কি ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা টামিলনাদুনা য়ুম্থু ওইদুনা চেন্নাইদা চথুরকখিবা ১৫ রক শুবা হোক্কি ইন্দিয়া সব-জুনিয়র মেন নেশনল চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা হোক্কি পঞ্জাবনা হোক্কি জরখন্দ মায়থীবা পীরল্লগা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে। অদুগা উট্টর প্রদেশ হোক্কিনা হোক্কি মধ্য প্রদেশ মায়থীবা পীরল্লগা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখ্রে।




দিভিজন-এগী ওইনা ঙসি হোক্কি পঞ্জাব অমসুং হোক্কি জরখন্দগী মরক্তা ফাইনেল মেটচ শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদা টিম অনীমক্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা অহানবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুগী ২১, ২৪ শুবা মিনটতা হোক্কি জরখন্দগী অসিস টানি পুরটি অমসুং অনিস দুংদুংনা পাঞ্জল অমমম চনবা ঙমখি। অদুমওইনমক মেটচ অদুগী ২৯ অমসুং ৩০ শুবা মিনটতা হোক্কি পঞ্জাবকী অক্সিট সলারিয়া অমসুং বরিন্দর সিংহনা পাঞ্জল অমমম চন্দুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা পাঞ্জল ২-২দা মান্ননা লৈবা ঙমখি।

অহুমশুবা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুগী ৪২ শুবা মিনটতা হোক্কি জরখন্দগী সুখু গুরিয়ানা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। অদুবু মেটচ অদুগী ৪৫ শুবা মিনটতা হোক্কি পঞ্জাবকী মন্দিপ সিংহনা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদুনা অহুমশুবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ৩-৩দা মান্ননা লৈখি। মরিশুবা অমদি অরোয়বা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা মেটচ অদু মায় পাকপা ঙম্নবগীদমক মখোয় মখোয়গী হৈশিংবশিং মপুং ফানা উথোক্তুনা শান্নখি। অদুমওইনমক মেটচ অদুগী ৫৩ শুবা মিনটতা হোক্কি পঞ্জাবকী মন্দিপ সিংহনা মেটচ অদুদা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবগা লোয়নননা মেটচ অদু হোক্কি পঞ্জাবনা পাঞ্জল ৪-৩দা মায় পাক্তুনা চথুরকখিবা নেশনল চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, থার্দ প্লেসকী ওইনা উট্টর প্রদেশ হোক্কি অমসুং হোক্কি মধ্য প্রদেশ অনীগী মরক্তা লম্বা তৌনখিবা অদুগী ওইনা উট্টর প্রদেশ হোক্কিনা খরা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়নননা মেটচ অদু পাঞ্জল ৫-৩দা মায় পাক্তুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

উট্টর প্রদেশ হোক্কিগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ৪২, ৪৭, ৫১ শুবা মিনটতা অলি সরুখনা অহুম অদুগা ৪০ অমসুং ৫৫ শুবা মিনটতা মুহম্মদ অটিফ রেনি অমসুং প্রহালা রাজবরনা অমমম চনখিবনি। অদুগা হোক্কি মধ্য প্রদেশকী পাঞ্জল অদুনা ১৩, ২০, ৫৮ শুবা মিনটতা মথংশিংনা অসির অদিল খান, করন গৌতম অমসুং মিজান উর রেহমননা অমমম চনখিবনি।

# কোনকাকেফ লিগঃ চালেটনা মোন্টেরে অদুগা ন্যুয়োর্ক রেদ বুলসনা জ্বারেজ মায়থীবা পীখ্রে

**চালেট, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সী):**

কনফিদরেশন ওফ নোর্থ, সেন্ট্রেল অমেরিকান এন্দ কেরিবিয়ান এসোসিএশন ফুটবোল (কোনকাকেফ) লিগকী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা চালেটনা মোন্টেরে অদুগা ন্যুয়োর্ক রেদ বুলসনা জ্বারেজ মায়থীবা পীখ্রে।




নোর্থ কিলোলিনাগী চালেটতা লৈবা বেঙ্ক ওফ অমেরিকা ষ্টেদিয়মদা মোন্টেরে অমসুং চালেটকী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী মোন্টেরেগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিদা মোন্টেরেনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৭১ ওইখিবা মতমদা চালেটনা বোল পায়বগী চাং চাদা ২৯ খক্তমক ওইখি।

মোন্টেরেনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্লবসু চালেটকী হৈশিংলবা দিফেন্দরশিংনা মোন্টেরেগী এটেকশিং থিংদুনা অরেস্বদা তাহনখি। মদুনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল চনবা ঙম্নবা মখোয় মখোয়গী হৈশিংবশিং মপুং ফানা উথোক্লদুনা শান্নবা হৌরকখি। মেটচ অদুদা চালেটনা বোল পায়বগী চাং নেম্লবসু পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবা মশিং হেন্না ফংবা ঙমখি। মেটচ অদুগী ৫৬ শুবা মিনটতা চালেটকী বিল টিলোমানা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। চালেটকী মায়কৈদগী ৬০ শুবা মিনটতা মখা তানা পাঞ্জল অমা অমুক চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু টিম অদুগী শান্নরোয় টাইগর স্মোলনা চনখিবনি।

চালেটকী মায়কৈদগী থংন-থংননা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখিবা অদুনা মরম ওইরগা মোন্টেরেগী শান্নরোয়শিংদা অকনবা প্রেসর লৈহনখি। মোন্টেরেনা মখোয়গী মায়কৈদা চনশিনখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙম্নবা হান্নদগী হেন্না য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অদুবু মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা মোন্টেরেগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু চালেটনা পাঞ্জল ২-০দা মায় পাকখিবনি।

অমরোমদা, ন্যুয়োর্ক রেদ বুলস অমসুং জ্বারেজগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা বোল পায়বগী চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিদা ন্যুয়োর্ক রেদ বুলসনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৫২ ওইখিবা মতমদা জ্বারেজনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৪৮ ওইখি।

টিম অনীমক্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইদুনা অমনা অমবু লাকচনা কন্ট্রোল তৌদুনা শান্ননবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখি। তুংদা টিম অনীগী মরক্তা পেনালটি কাওনখি। পেনালটি কাওনখিবা অদুদা ন্যুয়োক রেদ বুলসনা পাঞ্জল ৫ চনবা ঙমখি অদুগা জ্বারেজগী ওইনা পাঞ্জল ৩দগী হেন্না চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ন্যুয়োর্ক রেদ বুলসনা পাঞ্জল ৬-৪দা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

# য়ুথ ক্লবনা ঈ এস য়ু থোইখ্রে



**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৮ (ঐচ এন এস):**

মণিপুর বাস্কেটবোল এসোসিএশন (এম বি এ)গী মীৎয়েং মখাদা চথুরিবা ৩৮ রক শুবা ষ্টেট সব জুনিয়র অমসুং ১৫ রক শুবা জুনিয়র বাস্কেটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ফোর বোইজ এন্দ গার্লস, ২০২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা য়ুথ ক্লব, সী ৱাই এল সী, বি দি বি এ অমসুং এল এম ৱাই ভি এ মায় পাকখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসিগী অহানবা মেটচ ওইনা জুনিয়র বোইজগীদা য়ুথ ক্লব অমসুং ঈ এস য়ু লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা লম্বা তৌনখিবা অদুগী ওইনা য়ুথ ক্লবনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়নননা মেটচ অদু য়ুথ ক্লবনা পোইন্ট ৬৫-১৯দা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

ঙসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা সী ৱাই এল সী অমসুং টি দি বি বি এগী মরক্তা লম্বা তৌনখিবা অদুগী ওইনা সী ৱাই এল সীনা পোইন্ট ৩৩-২৭তা মায় পাকখিবনি। ৱাই দব্লিয়ু সী মালোম অমসুং বি দি বি এ মরক্তা লম্বা তৌনখিবা অদুগী ওইনা বি দি বি এনা পোইন্ট ৩২-২৪দা মায় পাকখ্রে। অদুগা সব জুনিয়র বোইজগী ওইনা শান্নখিবা মেটচ অমদনা এল এম ৱাই ভি এ মায় পাকখ্রে।

# ৱাবগাই কাংখুৎ সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৮ (ঐচ এন এস):**

শিংজমৈ কাংখুৎ চীংঙামথক্না শীন্দুনা চথুরিবা অহানবা মাইবম ইথোই মেমোরিএল নুপী খুৎ কাং টুর্নামেন্ট ২০২৫গী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ৱাবগাই কাংখুৎ মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।





টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ৱাবগাই কাংখুৎনা কৈশামথোং (কে কে সী ও) কাংখুৎপু পাঞ্জল ১১-১০দা মায়থীবা পীরল্লগা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

মমাঙ থাগী ২০দগী হৌরগা তোঙান তোঙানবা টিম ১২না গ্রুপ ৪ থোক্না খায়দোক্তুনা শিংজমৈ কাংশঙদা চথুরিবা কাং টুনয়ামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা হাফকী অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা কৈশামথোং (কে কে সী ও) কাংখুৎনা ৱাবগাই কাংখুৎতগী পাঞ্জল ২ হেল্লগা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবদা ৱাবগাই কাংখুৎনা কৈশামথোং (কে কে সী ও)দগী পাঞ্জল ২ হেল্লগা মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙম্বা অনীশুবা টিম ওইখিবনি। হয়েং অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা শিংজমৈ কাংখুৎ টিম-এ অমদি য়াইস্কুল কাংখুৎ অনীগী মরক্তা লম্বা তৌনরগনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 1558

**GM Ding Liren (2717) - GM Gao Rui (2468)**
**Cappelle-la-Grande Open 2014 Cappelle-la-Grande FRA, 2014.03.02**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.Nf3 Nf6 | 2.c4 g6 | 3.d4 Bg7 | 4.g3 d5 | 5.cxd5 Nxd5 |
| 6.Bg2 Nb6 | 7.Nc3 Nc6 | 8.e3 O-O | 9.O-O Re8 | 10.h3 a5 |
| 11.Rb1 Be6 | 12.Nd2 Nb4 | 13.a3 Nd3 | 14.Qe2 Nxc1 | 15.Rbxc1 c6 |
| 16.Rfd1 Rb8 | 17.Nce4 Bd5 | 18.Nc5 Bxg2 | 19.Kxg2 Qc7 | 20.f4 Red8 |
| 21.Nf3 Nd7 | 22.Ne4 Qb6 | 23.g4 Rbc8 | 24.g5 Qb3 | 25.h4 Qe6 |
| 26.Nf2 Nb6 | 27.e4 f5 | 28.gxf6 exf6 | 29.Rc5 f5 | 30.Ng5 Qe7 |
| 31.e5 Rxd4 | 32.Rxc6 Rxf4 | 33.Rxc8+ Nxc8 | 34.Qd2 Qxe5 | 35.Qd8+ Bf8 |
| 36.Qxc8 Qxb2 | 37.Qe6+ Kh8 | 38.Qe3 Rg4+ | 39.Kh3 f4 | 40. ... |

**QUESTION :** White to win

**Puzzle 1557 Solution :**

**24. Bf8** *The white bishop clears the way for White's queen to the square h6.* **Qd8**
*24...Kxf8 25.Rxe6 fxe6 26.Qxg6 Nxa1 27.Qg7+ Ke8 28.Qe7#*
*24...Qd2 25.Qxd2*
*24...Rxf8 25.Qh6 Qxe1+ 26.Rxe1*
*24...Bxd5 25.Qh6 Qxe1+ 26.Rxe1*
*24...Nxe1 25.Qh6 Nf3+ 26.Kh1*
*24...Rxd5 25.Qh6 Qxe1+ 26.Rxe1*
*24...Nxf8 25.Qh6 Qxe1+ 26.Rxe1*
*24...exd5 25.Qh6 Qxe1+ 26.Rxe1*
**25. Qh6** Mating net **Qxf8**
*25...Qxf6 26.Nxf6+*
*25...Bxd5 26.Qg7#*
*25...Nxe1 26.Qg7#*
*25...Nxa1 26.Qg7#*
*25...Rxd5 26.Qg7#*
*25...Nxf8 26.Qg7#*
*25...exd5 26.Qg7#*
**26. Ne7+** *The white knight deflects Black's queen away from protecting the square g7.* **Qxe7 27.Qg7#** *Lolli's mate*
**1-0**













Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com